হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, ওক্টোবর ১৩, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ১৯৮শুবা মশীং


# লানফম ওইহল্লকপা হৌরে

## কনাগী য়াথং ঙাইখিগদৌরি

অনৌবা মীখল পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লকপগী হৌনবা ভোট খোম্বগী থবক অঙকপা ফংনা কনখৎনরক্লে। ইলেক্সনগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পূম্নমক অমত্তা চিংখদনা পাঙথোক্নরক্লে। অফবা খোঙথাংনি, মীয়াম্না/ভোটরশিংনা লৈবাকসিগী দেমোক্রেসি, পার্লিয়ামেন্টরি ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্টকী অমসুং মীখলগী প্রোসেসতা থাজবা থম্লকপা, হকথেংননা শরুক য়ারকপা, থৱায় য়াওনরকপা অফবা থবকনি। লৈবাকসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসন অমসুং রিপ্রজেন্টেসন ওফ পীপলস এক্টকী প্রোভিজনশিংনসু চপ চানা পীবা ভোটরশিংগী রাইটশিংনি। হৌজিক মীখল পাঙথোক্কদবা ৱাৎলিঙৈ মতমসিদা লৈরিবা টেম্পোসি হন্দনা মীখল পাঙথোকপা নুমিৎ ফাওবদা লৈরগদি পাঙথোক্কদৌরিবা অনৌবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলসি ভোটর মশীং খ্বাইদগী য়াম্না শরুক য়াবা, ভোট থাদনবা মীখল হায়বদুমা শোয়দনা ওইরক্কনি থাজে। অদুবু মীখল অসিদা থৱায় য়াওরিবনি হায়দুনা মীখল মমাঙগী পাঙথোকফম থোকপা থবক থৌরম পূম্নমক অসিনা মরম ওইদুনা মমল য়াম্লবা ভোটরশিংগী পুন্সি অমসুং মখোয়গী লন-থুমশিং মাঙহনগদবা লানফমশিং ওইহন্নবা হোৎনরকপদি অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই। চুম্নতগী অচুম্বা থবক ওইদবগী মথক্তা মী শিরক্কদোইনি। মমল য়াম্লবা লন-থুম মাঙহল্লক্কদৌরিবনি। অসিগুম্বা থোরকহন্নীংদবা অমসুং থোরকফম থোক্তবা থৌদোকশিংসি ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি খক্তদা, এ সী অসিগী য়াইরিপোক য়াম্বেমদা মরু ওইনা থোক্লম্বদগী শিংজমৈ এ সীদা থোকচিল্লক্লে। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নাওরিয়া পাখংলাকপা য়ৌশিল্লক্লে। অহানবদা চিন খক্তদা চিন্দা-পৌদানরম্বদগী খূৎ য়াওনরক্লে, অরৈবা নোংমৈ পুথোক্তুনা কাপ্নরক্লে। নূঙদুম-চেক্তুম পায়দুনা থোমদৎনরক্লে। অশোক অপন য়াওরক্লে। অকায়-অতোয় থোক্লক্লে। থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিদগী খজিক্তং মৈরৌ হেঞ্জিল্লকপদদি মমল য়াম্লবা ভোটর মীয়াম লৈগী দোলাই তোংদুনা অশি লমদমদা পাংবা য়াওনরক্কনি।

মরম অসিনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিগী মপূং ওইবা থৌবু ওইরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) অমসুং চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরনসু মীখল অসি নীংথিজনা পাঙথোক্নবা ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইহন্নবা হোৎনরি, য়ারিবমখৈ ভোটর মশীং য়াম্না শরুক য়াহন্নবা থবক পায়খৎলি হায়দুনা লৈথোক্কনু। থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসি মীখলগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং ওইবনিনা ঈ সী আই অমসুং সী ঈ ও, মণিপুর খূৎ তুংবুন্নরগা চগৌ য়েংদুনা লৈথোক্কনু। ইলেক্সনগী মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলিবনি হায়রগা অনৌবা মীখলসি ঈখেংলক্তা পাঙথোকপা, ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনশিং ঈগী কোমদগী লৌখৎলগা ভোট মশীং থিবগী থৌদৌদু তারকহনবা চুম্লোই। অদুগা ষ্টেটকী লো-এন্দ-ওর্দরগী থৌদাং পুরিবা ষ্টেট লৈঙাকসু হুরানবা মতুং মৈরিংবগী মল্লবা, মতমসিগা চুনদ্রবা হৈনবীদু থাদোকউ। ওক্টোবর ১১, ২০২১দা অন্দ্রোগী য়াইরিপোক য়াম্বেমদা থোকখিবা নোংমৈনা পানবা য়াওনা মীওই খরা শোকখ্রিবা থৌদোক্তুবু থোরকহনফম থোকপনি হায়গদৌরিব্রা? অন্দ্রোগী থৌদোক্তু নুমিৎসিগী থৌদোক্লা অহানবা নত্তে। মমাঙদসু কয়ারক থোকখ্রে। থোকখ্রে খঙনা খঙনা অমুক্কসু থোকহল্লক্লিবসিদি লৈঙাকসিগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতে, মখূৎ মক্রাং লোন্দুনা কুম্মৈ য়েংদুনা লৈথোকপননি হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা? হান্না শিংবদুনা অশিংবা কৌবনি; কোন্না শিংববুনা অপংবা কৌবনি হায়বসিসু খঙজিনবা ফৈ। অশি-অনা য়াওরক্লগা শিরিবা মীওইদু মতৌ করম্না শিবনো খঙদোক্নবা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌগনি হায়দুনা ঙাইদুনা লৈগনু। মীখলগা মরী লৈননা মীচম ভোটর অমত্তা শিবা-নাবা থোকহনগনু। শিরবা মতুংদা লংজা-ক্বাক্লা খোঙ্গুল লিবগী থৌদৌদুদি ফি শেৎকনি খঙদ্রিঙৈগী ৱানি। ঈ সী আই নৎত্রগা সী ঈ ও, মণিপুরগী য়াকা ঙাইগনু। নারক্লিবা লায়নাসি ইলেক্সনগা মরী লৈনবা অরুবা লায়নানি। কোভিদ-১৯নসু ফনা য়াম্না শিহনখ্রবনি। মীখলগী লানদদি শিহল্লক্কনু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭

১) ***“বিদায়! কংলৈপাক বিদায়!”*** হায়বসি মপান মণিপুরী অমনা ইবা লাইরিকনি। অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) ***“গীতা-লৌশিংগী পুক্কে”*** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেলদু কনানা ইবা করি লাইরিকনো? মণিপুরীদা কনানা ইথোকপনো?

৩) ***“নীংতম্বগী মমল”*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***“অরোইবা পাউদম”*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ***“উ-থম্বালগী শৈথারোল:- মরিং খুম্বীলোক মাইবা থরাইলোক্তা শাৎপা লৈ, শরী নামুং শোননা ৱাশক্লবনা লৈ, পামেন উজাও শকপা লৈ, লৈরাং কোলোয় মমিংদি উ-থম্বাল কৌইদো।”*** করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবিরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৌগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ফিজিক্স নোবেল প্রাইজ ২০২১

## ক্লাইমেট অমসুং অতোপ্পা কমপ্লেক্স ফেনোমিননশিংদা লোৎতুনা লৈরিবা পেটর্নশিংবু শাফোঙবা ঙম্বগীদমক


সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম


ফিজিক্স হায়বসি মীওইবগী খুন্নাইনা চাওখৎলকপগী লমজেলদা শাফু কল্লবা এক্সেলরেটর অমা ওইদুনা লাক্লি, ওইদুনসু লৈখিগনি। অসিগুম্বা হীরম/সবজেক্ট অসিদা নোবেল মনা পীগদবনি হায়না অলফ্রেদ নোবেলনা ইহান হান্না মাগী উইলদা পল্লম্মী। হন্দক চহীগী ওইনা মনাসি ফিজিসিষ্ট অহুম্না ফংগদৌরি : ১) মনাসিগী তঙ্খাই অমনা, “the physical modelling of Earth's climate, quantifying variability and reliably predicting global warming" গীদমক Syukuro Manabe অমসুং Klaus Hasselmann না অদুগা ২) লেমহৌরিবা তঙ্খাইদুনা, "the discovery of the interplay of disorder and fluctuations in physical systems from atomic to planetary scales." গীদমক Giorgio Parisi না ফংগনি। কুমজা ১৯৩১দা Syukuro Manabe জপানগী Shingu দা পোকখি; কুমজা ১৯৫৭তা য়ুনিভর্সিটি ওফ টোকিওদগী পি ঐচ দি ফংখি; অদুগা হৌজিক য়ু এস এগী প্রিন্সটন য়ুনিভর্সিটিদা সিনিয়র মেটিওরোলোজিষ্ট ওইরি। Klaus Hasselmann, কুমজা ১৯৩১দা জর্মনিগী হম্বর্গতা পোকখি; কুমজা ১৯৫৭তা য়ুনিভর্সিটি ওফ গোতিঙ্‌গন্দগী পি ঐচ দি ফংখি; অদুগা হৌজিক্লা মেক্স প্লাঙ্ক ইন্সটিট্যুট ফোর মেটিওরোলোজি, হম্বর্গতা প্রোফেসর ওইরি। Giorgio Parisi, কুমজা ১৯৪৮দা ইটলিগী রোমদা পোকখি; কুমজা ১৯৭০দা Sapienza University of Rome দগী পি ঐচ দি ফংখি; হৌজিক য়ুনিভর্সিটি অসিমক্তদা প্রোফেসর ওইরি।

করিগুম্বা খুদোংথীবা/অমাঙ-অতা অমনা মী অমগী পুন্সিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলক্লবগী মচাক ওইরকপসি য়াওদবা নত্তে। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওনা পীরকপা চৈথেংনা মরম ওইরগা, Syukuro Manabe গী থিজিনবগী লম্‌দা অপনবা ওইরকখি; অদুনা নহা ওইরিবা অমসুং থিজিন-হুমজিন্নীংবগী কন্না ইখৌ লাংখৎলক্লিবা Manabe না য়ু এসতা লাকখি, অদুগা কার্বন দাইওক্সাইদকী চাং হেনগৎলক্লগা করম্না শাবা হেনগৎহল্লিবনো হায়বসিগী মতাংদা থিজিনবা হৌরকখি। মহাক্লা ১৯৬০গী মতমদা কনভেক্সন, লোয়ন-লোয়ননা ঈশিং মনিলগী লেতন্ট হিটনা থোকহনবা এয়র মাসশিংগী ভর্টিকল ট্রান্সপোর্ট য়াওহন্নবগীদমক ফিজিকেল মোদেলশিং শেমগৎপগী থবক পায়খৎলকখি।

Manabe না এটমোসফ্যেরগী কিলোমিটর ৪০ ৱাংবা ফাওবগী ভর্টিকল কোলম অমা, হায়বদি মোদেলদু দাইমেন্সন অমদা পুথোরকখি। অসুম্না তৌরবা ফাওবদা, এটমোসফ্যেরদা লৈরিবা গ্যাসশিংগী লেভেলশিংদু খেন্নহন্দুনা মোদেলদুবু চাং য়েংদুনা কান্নরবা কম্প্যুটিং তৌবদা পুং কয়া চঙলম্মী। ওক্সিজেন অমসুং নাইট্রোজেননা মালেমগী লৈমায়বু শাগৎহন্দে হায়না লৌবা য়াই, অদুবু কার্বন দাইওক্সাইদনদি ময়েক শেংনা হেনগৎহল্লি: কার্বন দাইওক্সাইদকী লেভেলসিনা শরুক অনী ওইরকপা মতমদা, গ্লোবল টেম্পেরেচরসি 2°Cগী মথক্তা হেনগৎলকই। মোদেল অসিনা শাগৎলক্লিবা অসি কার্বন দাইওক্সাইদ হেনগৎলকপদগী থোরকপনি হায়বদু উৎখি।

ক্লাইমেট ভেরিএসনশিংগী মোদেল অমা মপূং ফানা শেম্লবা তুংদা, Klaus Hasselmann



Klauss Hasselmann Syukuro Manabe Giorgio Parisi

না ক্লাইমেট সিষ্টমদা মীওইবনা হোংহল্লিবশিংদু খঙদোক্লবগীদমক মেথদশিং শেমগৎলম্মী। ওবজার্ভেসনশিং অমসুং থিওরিগী ওইনা খন্ন-নৈনরিবশিংদুগা লোয়ননা মোদেলশিংদুদা নোইস অমসুং সিগ্নেলগী মগুণশিংগী মরমদা মতিক চারবা ইনফোর্মেসনশিং য়াওই হায়বা খঙলক্লম্মী। খুদম ওইনা, সোলর রেদিএসন্দা থোকপা অহোংবশিং, ভোলকেনিক পার্টিকলশিং নৎত্রগা গ্রীনহাওস গ্যাসশিংগী লেভেলশিংনা, তোখায়-তোখায়না খায়দোক্নবা য়াবা তোপ-তোপ্লবা সিগ্নেলশিং, ফিঙ্গরপ্রিন্টশিং থনম্মী। ফিঙ্গরপ্রিন্টশিংদুবু পুথোক্লবা মেথদ অসিনা মীওইবনা ক্লাইমেট সিষ্টমদা হোংহল্লক্লিবা অদুবুসু পুথোকপা ঙমহল্লি। অসুম্না Klaus Hasselmann না ক্লাইমেট চেঞ্জগী মরমদা মখা তানা নৈননবা লম্বীদু য়াৎখি, মসিনা য়াম্লবা ইন্দিপেন্দেন্ট ওবজর্ভেসন কয়া শীজিন্নরগা মীওইবনা হোংহল্লক্লিবা কয়াদু পুথোকপা ঙমহনখি।

ক্লাইমেটকী কমপ্লিকেটেদ ইন্টরেক্সনশিংদা য়াওরবা থৌওংশিংদু হেন্না মপূং ফানা পুথোরকপগা লোয়ননা, ক্লাইমেট মোদেলশিংদু হেন্না হেন্না ময়েক শেংলক্লম্মী। মোদেলশিংদুনা খোঙজেল য়াঙশিল্লক্লিবা গ্রীনহাওস ইফেক্ট অমা ময়েক শেংনা উৎলম্মী; ১৯শুবা চহীচাগী তঙ্খাই চল্লকপদগী, এটমোসফ্যেরদা কার্বন দাইওক্সাইদকী চাংসি ৪০% হেনগৎলকখি। মসিনা মরম ওসরগা হৌখিবা চহী ১৫০সিদা মালেমগী শাবগী চাংসি 1°C হেনগৎলক্লে হায়বসু উৎখি।

মমি ২দা উৎলিবা, কমপ্রস তৌরবা বোলশিংসি অচম্বা গ্লাস অমসুং লৈঙোই নৎত্রগা গ্রাভেলগুম্বা, গ্রান্যুলর মেটরিএলশিংগী অচম্বা মোদেলশিংনি। অদুম ওইনমক, Giorgio Parisi গী ইহান হানবা নৈনবগী হীরমদি *স্পিন গ্লাস* হায়না খঙনবা তোপ-তোপ্পা সিষ্টম অমগী মতাংদনি। খুদম ওইনা, মসি য়োৎকী এটমশিংনা কোরিগী এটমশিংগী গ্রিদ অমদা রান্দম ওইনা য়ানশিন্নদুনা লৈবা অখন্নবা এল্লোয় অমনি। মদুদা য়োৎকী এটম খরখক্তমক য়াওরবসু, মখোয়না মেটরিএলদুগী মগুণশিংদু অঙকপা মওংদা হোংহল্লম্মী। য়োৎকী এটম খুদিংমক্লা অপিকপা মেগ্নেট নৎত্রগা স্পিন অমগুম্না মথৌ তৌরম্মী। অসিগুম্বা এটমশিংদা, মসিগা নক্লনা লৈবা অতোপ্পা য়োৎকী এটমশিংনা ইথিল পীরম্মী। ইচম চম্বা মেগ্নেট অমদা, স্পিন পূম্নমক চপ মান্নবা মায়কৈ অমদা থিন্দুনা লৈ, অদুবু স্পিন গ্লাস অমদদি মখোয়দু *ফ্রষ্ট্রেটেদ* তৌরম্মী; স্পিন খরনা মান্নবা মায়কৈদা লৈবা পাম্মী অদুগা অতোপ্পশিংনা ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা লৈ।

কুমজা ১৯৭৯দা, Giorgio Parisi না স্পিন গ্লাস প্রোব্লেম অমবু পুথোক্লবগীদমক *রেপ্লিকা ত্রিক* হায়না খঙনবা মেথদ অমবু হৈ-শিংনা শীজিন্নখি। রেপ্লিকাশিংদুদা লোৎতুনা লৈবা ষ্ট্রকচর অমা মহাক্লা পুথোকপা ঙমখি, অদুগা মসিবু অঙ্কগী লোলদা শন্দোক্লা তাক্লবগী পান্থে অমসু ফংখি। Parisi গী শন্দোক ৱারোলদু অঙ্কগী ওইনা চুম্মী হায়না উৎপদা চহী কয়ামুক চঙলম্মী। মদুদগীদি, মহাক্কী মেথদতু দিসওর্দরদা সিষ্টম কয়াদা শীজিন্নরকখি অদুগা কমপ্লেক্স সিষ্টমশিংগী থিওরিগী য়ূম্ফম ওইরকখি।

স্পিন গ্লাস অমসুং গ্রান্যুলর মেটরিএল অনীমক ফ্রষ্ট্রেটেদ সিষ্টমশিংগী খুদমশিংনি। হংনখিবা ৱাহংদি সিষ্টমশিংদুদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা মচলশিংনা করম্না মথৌ তৌবগে অদুগা ফংলক্লিবা মহয়দুনা করিনো হায়বসিনি। Parisi অসি তোঙান-তোঙানবা মেটরিএলশিং অমসুং ফেনোমিনন কয়াগী অসিগুম্বা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীবদা হৈ-শিংলবা ফিজিসিষ্ট অমনি। মহাক্কী স্পিন গ্লাসকী ষ্ট্রকচরগী মতাংদা পুথোরকখিবশিংসি অসুক্কী মতিক মনুং হঞ্জিল্লম্মী মদুদি মখোয়দুনা ফিজিক্সখক্তদা ইথিল পীবা নত্তনা, অঙ্ক, বাইওলোজি, ন্যুরোসাইন্স অমসুং মেছিন লর্নিংদসু পীরম্মী, মরমদি লমশিং অসিদা ফ্রষ্ট্রেসনগা হকথেংননা মরী লৈনবা প্রোব্লেমশিং য়াওরি। ●



মমি ২ মান্নবা দিস্কশিংদা, চপ মান্নবা মওংদা শাফুশিং পীরবসু, তোপ-তোপ্পা অনৌবা ইরেগুলর পেট্টর্ন অমা ফংই। Parisi না অসিগুম্বা কমপ্লেক্স দিসওর্দরদ সিষ্টমশিংগী লোৎতুনা লৈরম্বা ট্রুকচর অমা পুথোকখি অমসুং মখোয়বু অংকগী লোল্দা শন্দোক্লা তাক্লবগী পান্থে অমা ফংবা ঙমখি।

# বর্লিন ওলিম্পিক অমসুং হিটলর (১৯৩৬) # ৮

- লৈশাংথেম অজিৎ -

ইলিয়েনোর হোলম বর্লিন্দা মিটর ১০০গী বেক-ষ্ট্রোক ফাইনেল য়েংবা নত্তনা পান্থে লৈরমদে। কুমজা ১৯৩৮দা মহাক অর্ট-জেরেটকা খাইনদুনা মথংগী চহীদা বিল্লী-রোজগা লুহোংখি। মদুসু কুমজা ১৯৫৪দা খাইনরম্মী। কুমজা ১৯৩৮দা মহাক্লা টারজান-স-রিভেনজ কৌবা হোল্লিৱুদকী ফিল্মদা তারজানগী নুপী শাদুনা দেকাথলোন-চেম্পিয়ন গ্লেন-মোরিসকা কুল্লম্মী।

ৱাটর পোলোদা হঙ্গেরি অমসুং জর্ম্মনি ফাইনেল শান্নরম্মী অমসুং পাঞ্জল অনী-অনী চন্নদুনা থোইবা ঙম্নরমদে অদুবু টুর্নামেন্ট পূম্বগী ওইনা হঙ্গেরিনা পাঞ্জল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা টিম ওইবা মরম্না সনাগী মেদল ফংখি। মসিগী মমাঙদা টিম অনী অসি ওলিম্পিক্কী ফাইনেলদা অনীরক থেংনখ্রে। অমুক-অমুক থোইনখি। ৱাটর পোলো ফাইনেল য়েংলিবা মীয়ামশিং অদু হঙ্গেরিগী ওলিভর-হালাশী কৌবা শান্নরোয় অমদা য়াম্না খোয়দানা পূক্লিং চংনা নুংশিনা য়েংলম্মী। মখোয় খুদিংমক ওলিভর-হালশীবু মশক মুন্না খঙবদি নত্তে, হন্দক্কী অসিনা মহাক্কী অহুল্লকশুবা অমদি অরোইবা ওলিম্পিকনি। মসিগী মথক্তা মহাক য়ুরোপকী মিটর ১৫০০গী ফ্রিষ্টাইল চেম্পিয়ননি। মীয়াম্না য়েংনরিবদি ওলিম্পিক্কী সনাগী টকমান অনী অমসুং লুপাগী অমা ফংলবা নুপা অসি মখুউ মখাদা মখোঙ নাম্মা য়াওদবা অদুনি। ট্রামগাড়ীগী খুদোংথিবা অমদা মহাক চহী ১১ শুবা মতমদা মখোঙ নাম্মা খুকউ মখাদা ককখি। হোৎনবা কনবা, ৱিল কনবা অমদি মথৌনানা নাম্মা শোয়জরবসু মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী ফাওবা ৱাটর-পোলোগী শান্নরোয় অমা ওইখি। মহাক কুমজা ১৯৪৬কী সেপ্টেম্বর ১০দা বুদাপেষ্টকী সরক্তা হাৎখি।

ফুটবোলদা পেরুগা ওষ্ট্রিয়াগা ক্বাটর ফাইনেলদা থেংনবদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোক্লম্মী। মসিনা মরম ওইদুনা পেরুগী ওলিম্পিক টিম পূম্বা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবা তোক্তুনা ময়ূমদা হনখি, কলম্বিয়াসু পেরুবু শৌগৎতুনা মখোয়গী মতুং ইনখি। অনীশুবা রাউন্দদা চহী অনী থাক্তুনা থম্বা জর্ম্মনিগী শান্নরোয় পাঞ্জল পোবদগী পূম্নমক খুদক্তা ময়ূম-ময়ূমদা থাখি। অহানবা রাউন্দদা অমেরিকাগী শান্নরোয় অনী ইটালিগা শান্নবদা য়াম্না থীনা শোক্লম্মী। মদুদা জর্ম্মনিগী রেফরি ৱিনগারটরনা ইটলিগী একিল্লি-পিসিনিবু শান্নফমদগী তাম্থোকপদা য়ারমদে। ইটলিগী শান্নরোয়শিং অদুনা মহাকপু কোয়শিল্লগা মখুদাং পায়দুনা চিংলম্মী অমসুং মচিন মেনশিল্লম্মী। পিসিনি তাম্থোকপা ঙমদনা শান্নবা অদু চথুদুনা ইটলিনা পাঞ্জল ১-০দা থোইরম্মী। নুমিৎ মঙানিগী মতুংদা পেরু অমসুং ওষ্ট্রিয়া ক্বার্টর ফাইনেল শান্নবদা হাফ মমাঙদা ওষ্ট্রিয়ানা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থানা চৎলম্মী, লোইরমদাই মিনট ১৩দা পেরুনা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোক্লম্মী। মতম হাপ্লগা শান্নবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্লমদে, অনীশুবা ওইনা মতম অমুক হাপ্লগা শান্নরিঙৈদা পেরুগী মীয়ামনা শান্নফমদা চেনশিন্দুনা ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোয় অমা ফূরম্মী। ময়াম্না চরাংনরিঙৈদা পেরুনা পাঞ্জল অমা চনশিল্লম্মী। মথংদা য়াম্না থুনা মখোয়না পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ওষ্ট্রিয়াবু ৪-২দা থোইরম্মী। মসিগী মতাংদা ওষ্ট্রিয়ানা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলম্মী, য়ুরোপিয়ন মঙা য়াওবা জরি-ওফ-অপিলনা নুমিৎ নীনিগী মতুংদা অমুক মেটচ শান্নগদবনি হায়না ৱারেপ লৌরম্মী। পেরু শাউবনা খম থেংখি, ওলিম্পিক ভিলেজ থাদোক্তুনা পেরুদা হনখি, কলম্বিয়াসু মখোয়গী মতুং ইনখি। পেরুগী কোনুং লিমাদা জর্ম্মনিগী ‘কন্সলেট’ কী মমাংদা মসিগী ৱাকৎ ওইনা মীয়াম চৎতুনা ৱাকৎলম্মী, নূঙনা থাজিল্লম্মী, পেরুগী প্রসিদেন্ট ওস্কার বিনাভিদেসনা বর্লিনগী থৌদৌ অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লম্মী। জর্ম্মনিগী কন্সলেটনা প্রসিদেন্ট বিনা-ভিদেস্তা বর্লিন্দা থোক্লিবা থৌদোক অদুগী মরমদা শন্দোক্লা হায়রবা মতুংদা পেরুগী প্রসিদেন্টনা মীয়াম অদুবু কম্যুনিষ্টনা হৌহনবনি হায়রম্মী। ওষ্ট্রিয়াগা ইটলিগা ফাইনেল শান্নবদা অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্লমদে। অনীশুবা হাফকী ময়ায় চল্লকপদা ইটলিগী রাইট-আউট অন্নিবলি-ফ্রোসিনা পাঞ্জল অমা চনখি। মিনট ১৩গী মতুংদা ওষ্ট্রিয়ানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১দা চপ মান্নরম্বদগী মমৈথংদা ইটলিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২-১দা ওষ্ট্রিয়াবু মায়থীবা পীখি।

য়ু এস এগী জেমস-নায়স্মিথনা হৌদোকপা বাস্কেটবোল হায়বা মশান্না অসি অহানবা ওইনা ওলিম্পিক্কী থৌরমশিংগী মনুংদা য়াওহল্লম্মী। লৈবাক ২১দগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়ারম্মী। লৈতান অমসুং লৈঙোইনা শেম্বা টেনিস শান্নফমশিংদা বাস্কেটবোলগী কোর্ট শেম্লগা শান্নহল্লম্মী, মরম অদুনা য়ু এস এ অমসুং কানাদা নোং মরক্তা ফাইনেল শান্নবদা লৈখোম য়াম্না থোক্লম্মী। য়ু এস এনা কানাদাবু ১৯-৮দা থোইখি অমদি চহী অসিদগী হৌনা য়ু এস এনা কুমজা ১৯৬৮গী মেক্সিকো সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমস ফাওবা পরিং কায়দনা চেম্পিয়ন ওইরম্মী। ইন্টরনেসনল বাস্কেটবোল ফেদরেসননা ওলিম্পিক মনুংদা ফুট ৬ ইঞ্চি ৩ ৱাংবা মীওই অমত্তা শান্নবা য়াওবা য়ারোই হায়বা কাঙলোন অমা শেমদুনা অথিংবা অমা থম্নবা হোৎনরম্মী। কাঙলোন অদু চৎনরম্লবদি অমেরিকাগী শান্নরোয় অহুম শান্নবা য়াওবা য়ারম্লোইদবনি। অমেরিকানা ৱাকৎপদগী কাঙলোন অদু চৎনহনখিদে।

মিটর ১০০০গী সাইকল লমজেলদা মকোক তাখিবা জর্ম্মনিগী টোনিমরকেনসবু-মার্ক (জর্ম্মনিগী শেল) ১০০ ফাইন তৌরম্মী। মরমদি ফাইনেলগী অহানবা রাউন্দগী লমজেলদা মহাকপু হোলেন্দগী এরী-ভান-ভলেইটনা হেঙ্গৎকে হেক তৌবগা মহাক্লা য়েৎ লোমদা থৌদোক্তুনা এরী-ভান-ভলেইটপু থিংলম্মী। হোলেন্দ টিম্না ৱাকৎপদা মহাকপু তাম্থোকপগী মহুত্তা ফাইন ওইনা লৌখি। টৌনী-মারকেনস অনীশুবা লাঞ্জাও লোইরমদাইদা রসিয়ানশিংগা লান শোক্লবদা শিখি। এরী-ভান-ভলেইট মিটর ১০০০গী টাইম ট্রায়লদা সনাগী মেদল ফংখি। ফ্রান্সকী টিম্না মিটর ৪০০০গী টিম পর্সুইট অমসুং কিলোমিটর ৪০০০গী টিম টাইম ট্রায়লদা মকোক ওইরম্মী। মিটর ২০০০গী টানদেমদা জর্ম্মনিগী টিম্না থোইদুনা সাইকলগী থৌরম তরুক্কী মনুংদা জর্ম্মনিনা অনী, ফ্রান্সনা অহুম অমদি হোলেন্দনা অমদা মকোক ওইখি।

শগোল থৌবগী থৌরমদা খুদোংথিবা য়াম্না থোকখি। *“থ্রী-দে-ইভেন্ট”*দা শরুক য়ারিবশিংনা দ্রেশাজ, ইন্দুরেন্স অমসুং জম্পীংদা অথোই-অহেন তান্নগদবনি। ইন্দুরেন্সকীদমক শগোল থৌফম লম্বেলদা লৈকুৎ-লৈতোং, অরুবা খোংবাল, শম্বলনচিংবা শগোলনা লাম্থোকপদা খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা পোৎশক লৈরম্মী। ক্রোস-কন্ত্রি হায়নসু খঙনরিবা ইন্দুরেন্সকী হীরম অসিদা দেনমার্ক, হঙ্গেরি অমসুং য়ু এস এগী শগোল অমমম ৱামনখিদুনা শিখি। শগোল ৫০না শরুক য়াবদা শগোল ২৭ খক্তমক লমথুংফম য়ৌরকপা ঙমখি। শগোলশিংনা খ্বাইদগী খুদোংথীবা মায়োক্লবদি শম্বল চোংলগা অরূ-অথেন মান্নদবা পুখ্রি মচা অমা লাম্থোকপনি। খুদোংথীবা অপনবা মফম অদু লাম্থোক্লবা শগোল ৪৬না হোৎনবদা শগোল ১৮দি লাম্থোকপা ঙমদনা তুশিনখি, শগোল ১০না অথৌবা মীওইশিং লৈবাক্তা থাদখি।

জর্ম্মনিগী লুদৱিগ-স্তববের্ন্দোফনা-নুরমী কৌবা শগোল তোংদুনা খুদোংথীবা খুদিংমক লাম্থোক্তুনা *“থ্রী-দে-ইভেন্ট”* কী ইন্দিভিজুয়েল থৌরমদা মকোক ওইখি। য়ু এস এগী অর্ল-থোমসন অমসুং দেনমার্ককী হান্সমাথৈসেল-লনদিংনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা ফংখি। জর্ম্মনশিংনা লুদৱিগ-ষ্টববেন্দোর্ফদগী হেন্না ইকায়খুম্নবদি লেত্যনেন্ট কোনার্দ-ফ্রাইহর-ভোন-ৱানগানহেইম ওইরম্মী। মহাক্কী শগোল করফর্ষ্টনা শম্বলগা ঈশিং কোমগা পূন্না লৈমিন্নবা মফম অমা চোঙবদা তুশিন্দুনা মহাক্কী কোল্লরবোন তেক্লম্মী। মহাক লমজেল অদু য়ৌশিনবা ঙমদ্রবদি জর্ম্মনিগী টিম মেদল অমত্তা ফংলরোই খঙদুনা মথংগী শম্বল ৩২ অদু অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা চোঙদুনা লাম্থোক্লম্মী।

লেত্যনেন্ট কোনার্দনা তুশিনখিবা অদু মরিশুবা শম্বলদনি। মহাক্লা শরুক য়ারিবা *“থ্রী-দে-ইভেন্ট”*গী টিম অমদা মী অহুম্না শাই (তুংদা মী মরিনা শারে) মখোয় অহুম্না ফংবা পোজিসনগী মতুংইন্না পূন্না টিম অদুনা পোইন্ট ফংগদবনি। মরম অদুনা মহাক হেক তোকপদা জর্ম্মনিগী টিম শরুক য়ারুবগী কান্নরমদে। ●

পাউচে অসিদা ফোংদরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।